# জষ্টিস কম্মিটিনা শীন্দুনা এঙ্গলো মণিপুরী ৱার ১৮৯১ নীংশিং থা পাঙথোকখ্রে



*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ*

জষ্টিস কম্মিটি ফোর এঙ্গলো মণিপুরী ৱার ১৮৯১ মার্টিস এন্দ ভিক্টিমস ওফ কংলৈপাক (মণিপুর)না শীন্দুনা থা অসিগী ২০দগী চত্থরকখিবা অহানবা এঙ্গলো মণিপুরী ৱার ১৮৯১ কোমেমোরেসন মন্থ ২০১৮কা মরী লৈননা ঙসি খোঙজোম বেট্টল দে ২০১৮, দে ওফ ট্রিব্যুট টু পৌনা ব্রজবাসি, চিংলেনসনা অমসুং হৈরাং খোঙজা হায়বা হিরমদা থৌরম ইম্ফালগী রূমপহল থিয়েটরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা খোঙজোম লানফমদা মরৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা শকখঙবা অমসুং খঙহৌদ্রবা লান্মী ৪০০ রোমগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎতুনা কোক নোনখি লোয়ননা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবশিং অদুবু নীংশিংখি। থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবা প্রো. নাওরেম জয়কুমারনা হায়, ১৮৯১গী লানফমদা অথৌবশিং খ্বাইদগী য়াম্না মরৈবাক্কীদমক থৱাই কৎখিবসি থৌবাল অথোকপমগী লানফমনি। মতমদুদা কংলাদা ঐখোয়গী ফিরাল চীংথনবা চংলকখিবা ময়াংখাংদগী চংলকখিবনি। বৃটিসকী মায়োক্তা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী মীওইচা কয়ানা থৱাই খুবাক্তা হাপ্তুনা অঙম্বা থাক্তা লান্থেংনখি। খোঙজোম লানফমনা ঐখোয়গী লাইবক লেপখিবনি হায়বা অসিদি অরানবনি।

তোঙান-তোঙানবা লানফমদা মায় পাকপা অমসুং মায়থিবা য়াওখিদবা নত্তে। ইতিহাসপু অপান্থা মওংদা পুনবা হোৎনরকপদগী চম্মন্নবা অসি থোকখিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়ু সি এমগী প্রসিদেন্ট জে ান্সন এলাংবমনা হায়, মতমদুদা লৈরম্বা কাংলুপ কয়াগী মীওইশিংনা মায়কৈ কয়াদা অকনবা মওংদা লান্থেংনখিবনা অমত্তা ওইনা কোনশিনবা মতম ওইরে। ফুরুপ খুদিংমক কোনশিনবনা ঐখোয়গী অমত্তা ওইবা শক্তম শাগৎপসু ঙমগনি।

জষ্টিস কম্মিটিগী কনভেনর খুরাইজম অথৌবনা হায়, মতম অদুগী লৈবাক নীংবা মথৱাই কখোকখ্রবা অথৌবশিংগী ৱারী লীবা অমসুং খঙনবা হোৎনবা তঙাইফদে। পুৱারীগী অশেংবা তাঙ্ককশিং অদু মমুৎ তানা খঙদবনা অপুনবগী থৌনা লিংজেল শাগৎপগী মমি শমজিল্লকখিবনি। অদুনা কম্মিটি অসিনা নৌহৌননা থিজিন্নবা হোৎনরকখিবনি।

## পাঙল পোলিটিকেল ফোরমনা খোঙজোম দে নীংশিং নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ*

মণিপুরগী মফম কয়াদা খোঙজোম দে নুমিৎ পাঙথোক্লবগুম পাঙল পোলিটিকেল ফোরম (পি পি এফ) মণিপুরনা শীন্দুনা হট্টা গোলাপতিদা লৈবা লোইশঙ অসিগী ওফিসতা ঙসি খোঙজোম লাল ১২৭শুবা নীংশিং নুমিৎ পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পি পি এফকী চীফ এদভাইজর, এ আর খান (রিটয়ার আই এ এস), জেনরেল সেক্রেটরী এ জাবর সাহ, প্রসিদেন্ট এ ঐচ খান (রিটয়ার চীফ ইঞ্জিনিয়ার), ভাইস প্রসিদেন্ট মমতাজ বেগম অমদি পি পি এফকী মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি।

এম আই খাননা হায়, মরৈবাক মজাতীবু নুংশিজবা, মরৈবাক্কীদমক মৱাই থাবা পাম্মুদবা ইপা-ইপুশিংনা খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নদুনা হনবা লৈতবা থৌনা লিংজেলদগী নীংখা তম্বা হঞ্জিনবা ঙমখি। লৈখিদ্রবা অথৌবা ইপা ইপুশিংগী তৌবিমল পুন্সি চুপ্পা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ইং ১৮৯১ অদুৱাইদগী পাঙলশিংগী মশিং পংয়াম য়াম্বদি ওইরমদে। অদুবু ইমা লৈবাক্কীদমক নীংখা-তম্বা হঞ্জিন্নবা শোক্লখিবা লানফম অদুদা য়ামদ্রবদা পাঙল ইপা-ইপু ৩২গী মমিংদি মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা লাইরিক্তা য়াওরি। মসিনা জাতি অসিগী চাওথোকচনিংঙাই ওইহল্লিবনি।

লানফম অদুদা মীওই কয়া থৱাইনা পোন্থা ওইখি, কয়া অমনা পুন্সি চুপ্পা শোইনাইবা ওইখি লোয়ননা লানফমদগী হল্লক্তুনা ফম্নাইবা ওইখিবসু য়াওখি। পুম্নমক অসি ওইদুনসু ইপা ইপুনা থেংনখিবা লানফমদুগী মহৈনি ঐখোয়না ঙসি ইমা মণিপুর হায়না খৌ পোংনা লাউবা ঙম্লিবসিনি হায়খি।

মণিপুরগী নীংখা তম্বা ঙাক্লবা ইং কুমজা ১৮৯১দা লোইলম শন্দোকপা লাকখিবা বৃটিসশিংগা শোক্লখিবা লানফমদা মরৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা ওইখ্রবা পাউনা ব্রজবাশি অমদি অতৈ অতোপ্পা খঙহৌদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা পি পি এফকী মীওইশিং অমদি মীয়াম্না অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবসু উৎখি।

## মেঘলয়াদগী অফস্পা লৌথোকখ্রে, অরুনাচল প্রদেশকী মফম খরদদি থম্লি

*এজেন্সি*
*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৩ঃ*

মেঘলয়াদা মাংজৌননা থম্লম্বা আর্ম ফোর্সেস (স্পিসিয়েল পৱার্স) এক্ট (অফস্পা) য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা মেঘলয়া ষ্টেটকী মনুংদা থম্লম্বা অদু লৌথোকখ্রে। অদুবু অরুনাচল প্রদেশকী মনুং চনবদা লৈবা পুলিস ষ্টেসন ৮গী মফমশিংদদি কোমথোক্লে হায়রগসু অতোপ্পা পুলিস ষ্টেসন ৮না কোনবা মফমশিংদদি এক্ট অসি তঙাইফদনা থম্লি হায়না ফোঙদোরক্লি।

চহীসিগী এপ্রিল তাং ১দগী মেঘলয়াদা হান্না থম্লম্বা অফস্পাগী অথিংবা কয়া অদু ষ্টেট অসিদগী লৌথোকখ্রে। অদুবু অরুনাচল প্রদেশকী ওইনদি পুন্না পুলিস ষ্টেসন ১৬তা থম্লম্বা অথিংবশিং অদু তঙ্খাই অমা কোমথোক্লগা অতৈ লেমহৌরিবা পুলিস ষ্টেসনশিংনা কোনবা মফমশিংদদি মখা তানা হায়রিবা এক্ট অসি চৎনখিগনি হায়না ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অরুনাচল প্রদেশকী তিরাপ, লোংদিং, চাংলাং হায়রিবা ম্যানমারগা ঙমখৈগী শরুক থংনবা ষ্টেট অদুগী নোংপোক থংবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা অমসুং মদুবু কন্ট্রোল তৌরিবা পুলিস ষ্টেসন ৮ অমদি অসামগা তাইনবদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট ৭কী মফমশিংদদি এক্ট অসি মখা তানা চৎনহনগনি হায়না ওফিসিয়েল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

হায়রিবা টিরাব, লোংদিং অমসুং চাংলাং দিষ্ট্রিক্টশিং অসি ২০১৬গী জনুৱারিদগী অফস্পা চৎনদুনা লাকখিবনি।

পনবা য়াবা অমনা অফস্পা অসি ত্রিপুরা ষ্টেটতগী ২০১৫ ইংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ৱিথদ্রো তৌখ্রবনি। মসিগী মথক্তা অথিংবা অসি নোর্থ ইষ্টকী মফম খরদদি চৎনহনগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা অসামগী বোর্দরদা লৈবা মেঘলয়াগী ঙমখৈগী শরুক্তা তাইনবা কিলোমিটর ২০গী খক্তগী এরিয়াদা এক্ট অসি থমজিল্লগা লৈরি।

ৱাফম অমনা অসামদা ২০১৪ ইংগী দিসেম্বর থাদগী হৌরগা ২০১৮গী মার্চ থা ফাওবদা এন দি এফ বি (এস)কী কাদর ৬৬ হাৎখি অমসুং লালহৌলুপ অসিগা মরী লৈনবা কাদর অমদি মীওইশিংগী মনুংদা ১০৫২ ফাগৎপা ঙমখি। ২০১৬দগী ঙসি ফাওবা নোর্থ ইষ্টকী এরিয়াদা ইন্সর্জেন্সিগা মরী লৈনবা থৌদোকশিং থোকপগী চাং অসি চাদ ৩৭তা হন্থরে। মসিগী মথক্তা আর্ম ফোর্সকী মীওই হাৎপগী চাং অসিদা চাদ ৩০ অমসুং মীচম হাৎপগী চাং অসিসু চাদ ২৩ হন্থখ্রে।

২০১৪ দগী ২০১৮ ফাওবগী মনুংদা নোর্থ ইষ্টতা ইন্সর্জেন্সিগা মরী লৈনবা থৌদোক থোকপগী চাং অসি চার্দ ৬৩ রোম হন্থখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা লালহৌবগা মরী লৈননা মী হাৎপগী চাং অসিসু চাদ ৮৩ অমদি সিক্যুরিটি পার্সোনেলশিং হাৎপগী চাং অসিনা চাদ ৪০গী চাংদা হন্থখ্রে।

পনবা য়াবা অমনা ১৯৯৭দগী ২০১৭ ফাওবদা লালহৌবগা মরী লৈননা চত্থখিবা থৌদোক কয়া অদুগী মনুংদা নোর্থ ইষ্টতা অদুগুম্বা থৌদোকশিং থোকপগী চাং অদু শাখিনা হন্থরে হায়না হোম মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লে হায়রি।

হায়রিবা এক্ট অসি নাগালেন্দ, অসাম, মণিপুরদা (ষ্টেট অসিগী এসেমেব্লী কেন্দ্র ৭) নত্তনা অতৈ মফম পুম্নমক্তা চৎনহন্দুনা লাকখিবনি। অসাম অমসুং মণিপুর লৈঙাক্না এক্ট অসি মখা তানা থমজিনবগী অয়াবা অমসু পীখ্রবনি। মরম অসিনা হায়রিবা এক্ট অসি চহী ১গসু ষ্টেট অনীসিদা চৎনগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

## লায়রবশিংবু য়োকখৎপীবা মতমদা চাউখৎপা পুরকপা ঙমগনিঃ এন ইন্দ্রজিৎ

এস এন এস

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ ঃ লায়রবা মশীং য়াম্না লৈবা লমদম অমা চাউখৎপা হায়বসি পুরকপদা ৱাগনি। খুন্নাই অসি থোং মান্নবা চাউখৎহনসি হায়রবদি লায়রবশিংবু শৌগৎপীদুনা থোং মান্নবা শেমগৎপা তাই হায়না ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্রগী এম এল এ এন ইন্দ্রজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্রগী মনুং চনবা থম্বালখোঙনা নৌনা শাবা রাধা কৃষ্ণ মান্দব শঙ্গাবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা এন ইন্দ্রজিৎনা হায়, প্রজাশিংনা শিন্নবিরিবা চহি ৫গী মতম অদুদা দায়ত্ব শিন্নদুনা প্রজাশিংগীদমক তৌবা য়াবা তৌনবা থৌদাং পীবিয়ু।

পেন্দবা নুংঙাইতবা কয়া লৈবা, বন্দ তৌবনা লমদম অসি চাউখৎহনবা ঙম্লোই। ঐখোয়না চাউখৎপা খুন্নাই অমা পুরকসি হায়রবদি লায়রবশিং অসিবু থাঙ্গৎপীদুনা থোং মান্নবা চাউখৎমিন্নবা দরকার লৈ। লায়রবা লৈত্রবা লমদম অদু চাউখৎপা লমদম অমা ওইগদৌরিবনি। অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিনা লায়রবশিংগী হিংবগী থাক হেনগৎহন্নবা থবক চংশিল্লি।

কেন্দ্র অসিদা লৈরিবা খম থেংনা লায়রবশিংসু গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা খুদোংচাবশিং অদু ফংবা য়াগনি। মসিগীদমক এম এল এ অমা ওইনা মীয়াম্না তান্ননবা লাকপদা থোং হাংদুনা লৈরি।

ৱা ওইনা হায়বগী মহুত্তা থবক ওইনা উৎনবা হোৎনগনি। চহি অনিগী মনুংদা ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্র অসি কোইলাস থাদবা লম্বী লৈহল্লোই। অমগা অমগা শৌগৎনদুনা কেন্দ্র অসি চাউখৎপা কেন্দ্র অমা ওইহন্নবা হোৎনসি।

কেন্দ্র অসিদা গুলি ফংবদা নম্বর ৱান ওইরম্বা অদু ঙসিদি ফংদবদা নম্বর ৱান তারে। মীয়াম্না অপাম্বা মীহুৎ খঞ্জসনু। প্রজাগা নুংশিন্ননা চৎমিন্নসি। মীখলনা মতম মতমদুগী ওইনা তৌজসনু। হৌজিক্তগী ভোট লোমদা চৎলবদি লমদম অদু শোত্থগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক প্রজাশিংগীদমক তৌগে খনবা থবক খরা থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙম্লবসু তৌগদবা য়াম্না ৱাৎলি। ঙসি ফাওবদা ওইদা পাদবা তৌরক্ত্রি।

গভর্ণমেন্ট হায়বসি মখা চত্থরকপনি। প্রজাগী মীহুৎ ওইনা খোঙথাং খুদিংগী য়েংশিনবীরকপা অসি ঐবু নুংশিবীবগীনি হায়না লৌই। খ্বাইদগী পামজবা অসি মীয়ামদা থবক্না উৎপা অদুনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা তোপ নাউরিয়া জেদ পিগী হান্নগী মেম্বর তোইজম ইতোবী সিংহ, থম্বালখোঙ জি পিগী হান্নগী প্রধান কোইজম ওলেন, ক্ষেত্রিগাউ শেমগৎ শাগৎ লুপকী প্রসিদেন্ট সরাংথেম দোনেশ্বরসু শরুক য়াখি।

# দ্রোপআউট মহৈরোইশিংগী মহৈ তম্ফম শেমগৎপা লোইরক্লে

এস এন এস

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ ঃ তোঙান-তোঙানবা ফেক্টর খরনা মরম ওইরগা মহৈ তম্বা তোক্লুরবা অঙাংশিংবু মহৈ তম্বগী খুদোংচাবা পীনবগীদমক স্কুল অমা এম এল এ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী শাগৎপা লোইশিলক্লে হায়না অন্দ্রো কেন্দ্রগী মীহুৎশু ওইরিবা ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি অন্দ্রো লৌপাউচুমদা হৌজিক শাগৎলিবা স্কুল অদুগী বিল্ডিংগী ফিভম য়েংশিনবা অমসুং মফম অদুদা শাবা পব্লিক তোইলেট কমপ্লেক্স অমা শঙ্গাবগী থৌরমগা মরি লৈননা মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা হায়, হৌজিক সাসন তৌরিবা গভর্ণমেন্ট অসিবু লুচিংলিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লমজিং মখাদা চত্থখিবা সর্ভে অদুদা লমদম অসিদা লাইরিক তমদ্রবা মহৈরোই লিশিং ৪০ গী মথক্তা লৈরম্বা থেংনখিবা অদু য়েংলগা কেন্দ্র অসিগী মনুংদা লৈরিবা স্কুল দ্রোপআউট মহৈরোইশিংবু নিংথিনা মহৈ তমহন্নবগী খুদোংচাবা অদু পীনবগীদমক মহাক্না এম এল এ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী স্কুল শঙ অসি শাবনি। স্কুল অসি নুপামচাশিংগী ওইনা অতোপ্পা মফম অমদা শারিবনি।

অঙাংশিং অদুদা বিল্ডিং হেক উবদা মহৈ তম্নিংবা ফাওহনবা অমসুং তম্বদা থেংবা লৈতে হায়বা ৱাখল অদু ফাওহন্নবা বিল্ডিং অসি শাবনি হায়খি।

ঙসি শাগৎলিবা স্কুল শঙ অসি মপুং ওইনা নুপীমচা মহৈরোইশিং তমগনি। লোয়ননা মখোয়শিং অদু স্কুল অসিগা হেক থংননা লৈরিবা হোষ্টেল অসিদা লৈবগী খুদোংচাবা ফংহনগনি। কেন্দ্র অসিগী মহৈরোইশিংদা নত্তনা অতোপ্পা কেন্দ্রদগী খম থেংনা লায়রবা অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র অসিদা মহৈ তম্বা পামজবা মহৈরোইশিংসু হোষ্টেল অসিদা লৈহনবতা নত্তনা মহৈ তম্বগীদমক থোঙ লাওনা হাংলি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, অন্দ্রো অসি মতম খরগী মমাংদগী অহোংবা কয়া লাকপা, মফম অসিদা লম কোয়বা মীওই কয়া লাকপা অমসুং মফম অসিদা সর্ভিস তৌরিবা মেজিক, দি আই, ওটোরিক্সানচিংবা কয়া অসিগী পার্কিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবা অসি য়েংলগা অন্দ্রা কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কম্মিতিগা তান্নরগা পব্লিক কনভিয়েন্স অসি মাহুদ দিপার্টমেন্টকী মখাদা শাবনি। মসি প্রজাশিংনা লু নান্না শাবীয়ু হায়খি।

## শক্লাইরবা শুমাং লীলা আর্টিস কোরা ইবোমচানা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ*

মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিল (এম এস এস এল সি) না শীন্দুনা শুমাং লীলাগী শক্লাইরবা হুইরেম ইবোমচা মীয়াম্না কোরা ইবোমচা হায়না খঙনবা লৈখিদবগী লৈ-শু কৎপগী থৌরম ঙসি মশাগী ময়ুম হিয়াংথাং মনিং লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কাউন্সিল অসিগী লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট আর কে গুনচন্দ্র অমদি সেক্রেটরী এস হেমন্ত, প্রসিদেন্ট এম পুর্ণিমাসি লৈমা, এদভাইজর টর্পোন, পদ্মশ্রী এৱার্দি নব ৱারেপ্পা, শক্লাইরবা ক্ষেত্রি য়ুগিন্দ্রোনচিংবা শুমাং লীলাবু নুংশিবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

এস হেমন্তনা হায়, লৈখিদ্রবা হুইরেম ইবোমচা ১৯৪১গী দিসেম্বর ১দা হিয়াংথাং মনিং লৈকাইদা পোকখি। মচিন মনাও ৬ক মনুংদা মহাক্না ৪শুবনি। হিংলিঙৈ মতমদা তোঙান-তোঙানবা এৱার্দ ২২গী মথক্তা ফংখিবতা নত্তনা মমিং চৎলবা মীয়াম্না পাম্নখিবা শুমাং লীলা কয়াদা থোইদোক হেন্দোক্না থৌদাং লৌরকখিবা শক্লাইরবা আর্টিস অমনি।

হন্দক পাঙথোকখিবা শুমাং লীলা নুমিৎ থৌরমদা ইবোয়াইমা এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখিবা আর্টিস অসি চৎলিবা থা অসিগী ১৭ লৈবাকপোকপা নুমিৎতা খঙহৌদনা লৈখিদবনি হায়রি।

## পি দি সি সিগী এদভাইজর ফুখি হায়বা অরানবনিঃ পি সি এস

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ*

শগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাগদবনি হায়না চৎলিবা থা অসিগী ২০দা শগোলমাং কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফমদা পি দি সি সিগী এদভাইজর বি সি তেকচমবু ফুখি হায়বদু অরানবনি হায়না ব্রুমেন প্রোহিবিসন কম্মিটি শগোলমাংনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উন্নবদা ব্রুমেন প্রোহিবিসন কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট লৌখাম মেমথোই লৈমনা হায়, পাঙথোকখিবা মীফম অদু ব্রুমেন প্রোহিবিসন কম্মিটি, শগোলমাং দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমদি প্রোগেসিপ য়ুথ ক্লব অহুম্না পুন্না শীনখিবনি। মীফম অদুদা পি দি সি সিগী এদভাইজর বি সি তেকচমসু য়াওনবা অইবা চেরোল পীখিবনি। মীফম অদুদা অপাম পামদা খরদি অদুমক য়েৎনখি। অদুবু হোস্পিটাল অসি হোংদনবা পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়নখিবদি লৈ। মঙোন্দা ফুবনচিংবদি তৌখিবা লৈতে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## কে এস বি সিগী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ*

কৈথেলমানবী সোলম বেপটিষ্ট চর্চ (কে বি সি নম্বর ৫ য়ুথ দিভলপমেন্ট)গী ৫৪শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী চম্ফাই সব দিভিজনদা লৈবা চর্চ অসিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল মেম্বর লানমিন্থাং কিপগেননা অথোইবা মীথুংলেন, কে বি সি নম্বর ৫গী চেয়ারমেন সৈমিন্থাং লুফোংনা ফঙ্কসনেল প্রসিদেন্ট ওইখি। অদুগা পাষ্টর সতমিন্থাং খোঙসাই (য়ুথ সেক্রেটরী কে বি সি-১) অমসুং পাষ্টর লুনখোলাল হাওকিপনা থৌরমসিগী মিনিষ্টর অমসুং স্পিকর ওইনা শরুক য়াখি।

## গেঙ রেপ কেসতা চেন্নবশিং অথুবা মতমদা ফাগৎপীয়ু

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ*

বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মফম অমদা চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ১৩দা থোকখিবা গেঙ রেপ কেসতা চেন্নবা মীওইশিং শুনা ফাবা ঙমদনা লৈরে হায়না ভিক্টিম অসিগী অপোকপনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, চেন্নরিবা মীওইশিং রাজনিতিগী খুৎ চংবদগী কেস অসি থিজিন্নবা শেমখিবা স্পিসিয়েল ইনভেষ্টিকেসন টিম (এস আই টি)না ফাওবা ভিক্টিমশিং শুনা থিজিনবা ঙমদনা লৈরি। কেস অদুদা চেন্নখিবা মীওই ৫গী মনুংদা ৩দি ফাদুনা লৈরে। অদুগা ৱাৎহৌরিবা মীওই অনী অদু মশক তাক্লবা ফাওবা ফাদনা লৈরিবা অসি পেন্দে হায়না ফোঙদোকখি।

লোয়ননা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই খুদিংমক অথুবা মতমদা ফাগৎনবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা আইনগী ওইবা চৈরাক পীবিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## য়াইফ থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ*

আর সি ফিল্ম প্রদক্সনগী ১৮শুবা ওইনা পুথোক্লদবা 'নঙ কনানো' হায়বা মণিপুরি ফিচর ফিল্মগী য়াইফ থৌনি থৌরম ঙসি অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা তবুংখোক্তা পাঙথোকখ্রে।

ফিল্ম অসিদা সেলহৌবা, দয়ানন্দ, রঞ্জিৎ, রঞ্জু, ভর্তি, রেসমি, আর কে হেমাবতিনচিংবা আর্টিস কয়ানা শক্তম লাংগদৌরিবা অসিগী দাইরেক্টরনা নসা লাই অদুগা প্রদক্সনা প্রেমেশ্বরী অমদি লৈমনা ওইগনি।

# অমুকো অমসুং কে এস এনা শেলগী মতেং পীখ্রে



*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ*

চৎলিবা থা অসিগী ১১দা মশাগী অনাবা অমদগী রিমস হোস্পিটালদা লৈখিদ্রবা মপুরোইবা পুদুনা হল্লকপগী লম্বী টেংদোংয়াংদা লাইবক থিবা থৌদোক অমদা থা ৯ খক্তা ঙাইরীবা মচানুপা অমদি লোইনবী লৈখিদবদগী লৈহৌরিবা মখোয়গী পীক্লিবা মচানুপী অনীনা থেংনহৌরিবা অৱাবদা অমুকো অমদি কে এস এনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অঙাং অনীগী অমদি মীয়ামগী অৱাবদা শরুক য়াদুনা শেলগী তেংবাংসু খুৎশিন্নখ্রে।

অপোকপা অমসুং অপোকপী অনীমক লৈখিদ্রবা লৈহৌরিবা মচানুপী অনী অথোইবী (১২) অমসুং ঙাম্থোই (৯)গীদমক অমুকোনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০ মতেং পাংখি। অমুকোগী প্রসিদেন্ট এস দেবাননা ফোঙদোকখিবদি য়াম্না তাংনা থোকপা লাইবক থিবা থৌদোক অমদা মপা, মমা অমসুং মৌপ্পা শিখিবা অদুদা সেকমাই পরৌখোঙবদা চৎতুনা মখোয়গী অৱাবগী শরুক য়াবগা লোয়ননা অঙম্বা মতেং পাংখিবনি। লৈকাই অদুগী ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংনা লৈহৌরিবা অঙাং অনী অদুবু নীংথিনা শেন্নবীবগীদমকসু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা সরকারগী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংবীনবসু মহাক্না অপিল তৌখি।

কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট এসেসোসিয়েসন (কে এস এ) ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলনসু পীক্লিবা অঙাং নুপী মচা অনীগীদমক অঙম্বা শেলগী তেংবাং ঙসি খুৎশিন্নবগা লোয়ননা মখোয়গী অমসুং লৈকাইগী অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবদা শরুক য়ারি হায়রি।

কে এস এ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী জেনরেল সেক্রেটর পি রঞ্জন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, পিক্লিবা অঙাং অনী অসিগী মতুংগী য়েংদুনা মখোয়বু মতিক চাবা মী অমমম ওইবা ঙম্নবা সরকার অমদি মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু।

## মোরেদা মৈহৌ লাংপোক নংখ্রবা ইমুংশিংদা শেলগী তেংবাং লেপ্তুনা পীনরক্লি



*মোরে, এপ্রিল ২৩ঃ*

চৎলিবা থা অসিগী তাং ১৯দা মোরে ৱার্দ নম্বর ৩ প্রেম নগর লৈকাইগী য়ুম খরা মৈনা চাকখিবদগী অৱাবা তারবা ইমুং মনুংশিংদা হায়রিবা লৈকাই অদুগী নুপী লুপশিংনা ঙসি শেলগী মতেং কয়া অমা পাংখ্রে।

মৈতৈ সোসাইটি চুরাচান্দপুর, মৈতৈ য়ুথ ওর্গনাইজেসন চুরাচান্দপুর অমদি ট্রেদর্স য়ুনিয়ন চুরাচান্দপুর হায়রিবা লুপ অহুম অসিনা ঙসি মৈতৈ কাউন্সিল মোরেগী খুথাংদা লুপা লিশিং ১৫গী মতেং পীরকখি। হায়রিবা লুপ অহুম অসিনা চুরাচন্দপুরদগী লাকপীদুনা মোরেগী মফম অমদা মৈনা চাকপদগী অৱা-অনা তারবশিং অদুগী মতেং ওইনা শেলগী তেংবাং পীরকপা অসিমক থাগৎচরি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসি চুরাচান্দপুরদগী লাকখিবা লুপশিং অদুগী লুচিংবনা মোইরাংথেম থোইবা, প্রসিদেন্ট মৈতৈ সোসাইটি চুরচান্দপুরনি হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

## নুপীশিংদা চত্থবা ক্রাইম হেনগৎলকপদা গভর্ণরনা পেনখিদ্রে খুন্নাইগী য়েক্লবশিং ময়াম পুন্না থেংনমিন্নবা চংইঃ গভর্ণর

মাগী মাগী জাতি কাঙলুপকী ওইনা য়েংলগা থবক তৌরকপনা মণিপুরদা নত্তনা ইন্দিয়াদা তোখায়না উহন্নবা মওং অমদা লাক্লি।

জাতিগী ওইবা ৱাখলদা থবক তৌবা, ৱা ঙাংবগী থবক থাদোক্লসি। অপুনবা মণিপুরগী ৱাখলদা থবক তৌমিন্নসি। বৃটিশনা লম অসি লৌশিনবা মতমদা ঐখোয়গী কোনুং অসি থুগায়রম্বা থেংনদে।

কংলাগী ওইনদি মণিপুরগী কংলা শা ফাওবা থুগায়বীরম্মী। পীকচরবসু মণিপুরী জাতি অসিনা বৃটিশকা মায়োক্নখিবা মওং অদুদা মখোয়দা পেন্দবা ইকাইবা ফাওবদগী ওইরম্বা য়াই হায়না খনবা লৈ।

গভর্ণমেন্ট অসিনা মশীং য়ামজখিদ্রবা মণিপুরীশিং কঞ্জনবা হান্ন য়েৎনদুনা লৈরিবা বিল অদু লাক্লিবা এসেমব্লি সেসন্দা পুথোক্লগা শেমগনি। গভর্ণমেন্ট অসি প্রজাশিংগীনি। হৌজিক চীংদা চৎলো হায়বা মিসনগী মখাদা চংশিনবনা মতম অমদা লৈরম্বা থাজনদবা কয়া অদু কোকহনখ্রে।

সিরোই ফেষ্টিভেল অসি মালেমগী থাক্তা পাঙথোক্লদৌরি। য়ুম য়ুমদা লৈরিবা কাশিং শেমদুনা মপান্দগী লাকপশিং লৈহন্নবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে।

মে ১ দগী হৌগদৌরিবা খুঙ্গং চৎলো হায়দুনা লাইরিক তম্বা ঙমজদবা, ঈশিং থকপা ফংদবা, য়ুম লৈতবা অদুগুম্বা মীওইশিং অদুদা খুদোংচাবশিং ফংহনবা চংই। মে অমগী থৌরম অসি মতম শাংনা চত্থদুনা অৱাৎ অপা কয়া অদু পীনবা থবক লাক্লগনি হায়খি। য়ুম লৈতবদা য়ুম শানবা লোন পীবা, থবক তৌবদা থবক ফংদবগী লোন পীবা অদু তৌররোই। সি এম ঐচ টিগী সি এম এস টিগী খুদোংচাবা কয়া অসি খঙদবা কয়া লৈরিবা অসি কোকহন্নবা হোৎনগনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা গভর্ণরনা লুচিংদুনা চীফ মিনিষ্টর কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিং, এম এল এ অমসুং ওফিসিয়েলশিংনা খোঙজোম লালগী নিংশিং খুভমদা হৈকৎ লৈকৎ তমখি। তুংদা গার্দ ওফ এর্নর অমসুং গন সেলুট পীদুনা অথৌবশিংগী মফমদা ইকাই খুম্নখি। লোয়ননা গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিংনা পাউনা ব্রজবাসিগী মীতমদা লৈ কৎপা অমসুং খোঙজোম তুরেলদা তর্পন কৎখি। লোয়ননা সঙ্কির্ত্তনসু পাঙথোকখি।

## খোঙজোম দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা জেনিঠ একাদমীগী ফাউন্দর এস মনাওতোননা হায়, লান্মী মশীং য়ামজদবা অমসুং খুৎশু খুৎলায় মশীং ৱাৎপা অমসুং লান চৎখিবা লান্মীশিংগী মরক্তা ৱাখল মান্নরক্তবনা খোঙজোম লালদা মণিপুরনা বৃটিশকী মখুত্তগী মাইথিখিবগী মরম ওইহনখিবনি। অসিগুম্বা লিংজেল মান্নদবা ৱাখল্লোন অসি থাদোক্তুনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা লমদম অসিবু মাঙজিল থাবা খুন্নাই অমা ওইনা পুরক্লবা হোৎনবা তাই। লোয়ননা ঙসিগী মীরোলনা খোঙজোম লালদগী চাউরবা পারা অসি তমহৌসি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কে সনাথোইবা শর্ম্মা প্রিন্সিপাল কম দাইরেক্টর হুয়েল লালোং মণিপুর থাঙ তা কলচরেল এসোসিয়েসন ইরিলবুং অমসুং য়াইস্কুল খ্বাইরাকপম প্রসিদেন্ট পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরমনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা লৈবাক অসিগী নিংতম্বা ঙাক্লবা থৱায়না পোন্থা পীখিবা লুচিংবশিং পাউনা ব্রজবাসি, থাঙ্গাল জেনরেল, বির তিকেন্দ্রজিৎনচিংবগী ফোটোদা মীয়াম্না লৈশু কত্তুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

## সোসিয়েল নেটৱার্কশিংনা কাঙলূপ নাইবগী থৌওং চত্থরিবসি থিংনবা হোৎনমিন্নসি ঃ চীফ মিনিষ্টর

নুপীশিংদা চত্থবা ক্রাইম থিংনবা অমদি নহাশিংবু মাঙহল্লিবা মখল কয়াগী দ্রক থিংনবা ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্ট মপুং ফানা মথৌ তৌহনবা ঙম্নবা দরকার ওইবশিং অদু চপ-চানা লৈহল্লগনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোক্লদুনা মীয়ামগী হিংবগী থাক ৱাংখৎনবা অমদি চাউখৎনবা হোৎনবা হায়বসি সরকারগী থৌদাংনি। নীংথিনা অমসুং মওং তানা থবক তৌরবা মতমদা অওনবা পুরকপা ঙমগদৌরিবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা লো মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার, এক্টিং চীফ জষ্টিস এন কোটিশ্বর সিংহ, জষ্টিস টিঐচ নোবিন সিংহ, বার কাউন্সিল ওফ মণিপুরগী চিয়ারমেন ও মোধুচন্দ্র সিংহ, হায়কোর্ট বার এসোসিয়েসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ঐচএস পাওনম, ওল মণিপুর বার কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট ঐচ চন্দ্রজিৎ শর্ম্মা অমদি হায়কোর্টকী ওফিসার অমসুং ষ্টাফশিং শরুক য়াখি।

এক্টিং চীফ জষ্টিস এন কোটিশ্বর সিংহনা দিষ্ট্রিক্টশিংদা জ্যুদিসিয়েল ওফিসারশিংগী রিসিদেন্সিয়েল ক্বার্টর শাবগী তঙাই ফদবদু ফোঙদোকখি।